# শাইলি সিংহগী পর্ফোর্মেন্স অনুরাগনা থাগৎখ্রে, ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থুগায়বা ঙমগনি : বোবি জোর্জ





ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ঙরাং অথেংবদা কেনিয়াগী সিটি নাইরোবি সিটিদা লোইশিনখিবা চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা নুপীগী লোং জম্পদা সিলভর মেদল ফংবা ঙম্লকখ্রবী শাইলি সিংহগী পর্ফোর্মেন্সপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা, ইন্দিয়াগী নুপীগী লোং জম্প রেকোর্দ থম্লিবী অঞ্জু বোবি জোর্জনা মহাক্কী রেকোর্দ অদু শাইলিনা থুগায়বা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবী শাইলি সিংহনা ঙরাং নাইরোবিগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অদুগী অরোইবা নুমীৎকী অথেংবদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা নুপীগী লোং জম্পদা মিটর ৬.৫৯ চোংদুনা সিলভর মেদল ফংখিবনি। মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স অদু গোল্ড মেদল ফংখিবী স্বিদেনগী মাজা অস্কাগতগী শুপ্নগী সেন্টিমিটর ১খক শোথুরগা লৈহৌবনি।

স্পোর্টস মিনিষ্টর থাকুরনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, শাইলি সিংহনা সিলভর মেদল ফংলকপা অদু য়াম্না অফবা পর্ফোর্মেন্সনি। মহাক্কী মখা তারকপা কম্পিটিসনশিংদা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না থাগৎখি।

ঙরাং শাইলিনা সিলভর মেদল অমা ফংখিবা অদুগা লোয়ননা নাইরোবিগী চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অদুদা ইন্দিয়ানা পূন্না সিলভর মেদল ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফংলগা কম্পিটিসন অদু লোইশিনখি। মেদল ৩ ফংবা অসিনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা চহী ২০ মখাগী ওইবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী খ্বাইদগী ফজবা ওইরি। মমাংদা গোল্ড মেদল ফংবা পর্ফোর্মেন্স অনীরক য়াওখ্রবসু হন্দক্কী অসিনা মেদল খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী লোং জম্পদা মিটর ৬.৮৩ চোংদুনা কুমজা ২০০৩ ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবী অঞ্জু বোবি জোর্জনা মহাক্কী রেকোর্দ অদু শাইলি সিংহনা শুংশোয় শোয়দনা থুগায়বা ঙমগনি হায়রি।

অঞ্জুনা মখা তাখিবদা, ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা রেকোর্দ অসি মহাক্কী মায়কৈদগী হেন্না ফগৎহনবা অমদি মহাকপু ওলিম্পিক গেমসতা পোদিয়মদা লেপ্পা ঙম্নবগী মতেং অদু লৈঙাক্না পীগদবনি হায়রি।

অঞ্জু বোবি জোর্জনা কুমজা ২০০৪ এথেন্স ওলিম্পিক গেমসতা মিটর ৬.৮৩ চোংদুনা ইন্দিয়াগী নেসনল রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবসু ওলিম্পিক অদুদা মহাক মরিশুবা পোজিসন তাহৌখি। মহাক্কী মপুরোইবা রোবর্ট বোবি জোর্জনা কোচ ওইদুনা মশামক শান্নরকখিবনি। স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী হায় পর্ফোর্মেন্স কোচ ওইরিবা রোবর্ট জোর্জনা শাইলিবুসু ট্রেনিং পীদুনা মশাগী চহী ১৪দগী মশান্না অসিদা মায় ওনশিল্লকখিবনি। অঞ্জু বোবি জোর্জদি মশাগী চহী ২০ শুরকপদা লোং জম্প ইভেন্ট শরুক য়ারকখিবনি। শাইলিগা য়েংনরুবদা চহী মতাং অদু শেমগৎপা য়াবা অমদি হেন্না ফগৎপা য়াবা লম্বেল কয়া অমা লৈবা মরম্না কন্না হোৎনরবদি কুমজা ২০২৪ পেরিস ওলিম্পিক গেমসতা শাইলি সিংহ য়াওবা য়ানা লৈরি।

# জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল লৌখ্রে





চিনচিনাটি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):
য়ু এস এগী ওহায়ো ষ্টেটতা লৈবা চিনচিনাটিদা চথুরকখিবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী মায়কৈদা টোকিও ওলিম্পিক্সকী গোল্ড মেদলিষ্ট জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং নুপীগীদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এস্লি বার্টিনা মখোয়-মখোয়গী ইভেন্টশিং অদুদা ফাইনেল মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচ অদুদা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভকা লম্বা তৌনখি। মদুগী মাংওইননা অলেকজেন্দর জ্বেরেভনা টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা সিদেদ ওইরগা শরুক য়ারকপদা সেমীফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ ওইখিবা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসপু সেট ২-১দা মায়থীবা পীরম্বনি। অমরোমদা, মরিশুবা সিদেদ ওইরিবা এন্দ্রি রুব্লেভনা অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ দানিল মেদভেদেভপু সেট ২-১দা থোইরকখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা জর্মনিগী শান্নরোয় অদুনা রসিয়াগী শান্নরোয় অদুবু হীরম অয়াম্বদা পাঙ্গল লৈবা হেনখি। মদুগী খূদোংচাবা অদু লৌদুনা রুব্লেভকী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২দা থোইরগা সেট ১ মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা এন্দ্রি রুব্লেভকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা মশামক্কী গেম অহুম মায় পাকপা ঙমজখ্রবসু অতোপ্পা সর্ভিস গেম অমা জর্মনিগী জ্বেরেভনা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা নুপাগী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি অমসুং স্বিটজরলেন্দগী জিল টেকমেনগা লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াই, এস্লি বার্টিনা সেমীফাইনেলদা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরবু ৬-২, ৭-৫দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা জিল টেকমেননা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেটচতা মঙাশুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভাবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-২, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী ঙরাং লম্বা তৌনখিবা অদুদা অহানবা সেট অদু এস্লি বার্টিনা ফজবা খরা হেনখিবদগী টেকমেনবু মহাক্না ৬-৩দা থোইখি। অহানবা সেট মায় পাক্লবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা টেকমেনগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেকশিং অদু এস্লি বার্টিনা কান্নবা ফংহনখিদে। টেকমেনগী সর্ভিস গেম অনী বার্টিনা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা এস্লি বার্টিনা অহানবা সেট অদুদগী হেন্না ফজবা হেন্দুনা য়াম্না কোম্না ৬-১দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা অনীশুবা সিদেদ ওইখিবা প্যের স্পেনগী মার্শেল গ্রানোলর্স অমসুং অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবালোসনা য়ু এস এগী প্যের ষ্টিভ জোন্সন অমসুং ওষ্টিন ক্রাইচেকপু সেট ২-০দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। ফাইনেলগী সেট অনীমক মেটচ হৌরকপদগী প্যের অনীগী মায়কৈদগী ফজবা কা-হেন্না ঙম্নখিদবদগী টাই ব্রেকতা লম্বা তৌনবদা ৭-৬ (৭-৫), ৭-৬ (৭-৫)তা থোইদুনা নুপাগী দবলসকী টাইটল অদু মখোয় অনীনা লৌখিবনি।

# ইন্দিয়াগী গৌরভ সাইনি ফাইনেল য়ৌখ্রে অমসুং অতোপ্পা বোক্সর অহুমসু সেমীফাইনেল চঙখ্রে




দুবাই, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):
এসিয়াগী মমিং লৈরবা বোক্সিং টুর্নামেন্ট অমা ওইনা য়ুঠ এন্দ জুনিয়র বোক্সরশিং (মেন এন্দ ৱিমেন) অনীমক্কী অপূনবা অমা ওইনা অহানবা পাঙথোক্লিবা দুবাই এসিয়ন য়ুঠ এন্দ জুনিয়র বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর গৌরভ সাইনি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুমসু মখোয়-মখোয়গী কেটগোরিদা সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

গৌরভ সাইনিনা কিলোগ্রাম ৭০গী কাঙলূপ্তা কির্গিষ্টানগী বোক্সর জাকিরোব মুখমমদাজিজবু সেমীফাইনেলদা স্কোর ৪-১দা হেন্দুনা মায় পাকপদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

কিলোগ্রাম ৫৪গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী অসিশ, কিলোগ্রাম ৫৭তা অন্সুল অমসুং কিলোগ্রাম ৮১ মথক্তা ভারত জুন সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অসিশনা টাজিকিষ্টানগী রহমানোব জাফরবু ৫-০দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা, অন্সুসু মহাক্কী লম্বা অদুবু অহানবা রাউন্দদা কা-হেন্না খূদুম চন্না শান্নখিবদগী রেফরিনা কন্টেষ্ট লেপহন্দুনা বাউট অদু মঙোন্দা পীখি। ভারত জুননা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর কেনিসবেব এনাজরগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না নক্লবা কন্টেষ্টতা স্কোর ৩-২দা হেন্দুনা মায় পাকপদগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অদুবু কিলোগ্রাম ৪৬কী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী কৃশ পাল অমসুং কেজি ৬৩দা প্রিট মালিক ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌখি। পাল উজবেকিষ্টানগী বাটিওর য়াক্সিবোবকী মখূৎতা য়াম্না শোথখিবদগী ২শুবা রাউন্দা রেফরিনা কন্টেষ্ট লেপহনখিবদগী মায়থীহৌবনি। অদুগা প্রিট মালিক কির্গিষ্টানগী এলদার্দ ইসেনবেবকা লম্বা তৌনবদা ২-৩দা মায়থীহৌখি।

# ইন্দিয়াগী বাস্কেটবোল টিম ফিবা এসিয়া কপকী ক্বালিফাই ওইখ্রে

জেদা, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):
সাউদি অরাবিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি জেদাদা পাঙথোকপা ফিবা (ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ বাস্কেটবোল) এসিয়া কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ঐচতা ঙসি সাউদি অরাবিয়ানা পেলেষ্টিনবু পোইন্ট ৯৬-৭২দা থোইখিবদগী ইন্দিয়া মথং চহীগী জুলাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেল-গীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং ইন্দিয়ানা পেলেষ্টিনবু য়াম্না নক্লবা লম্বা অমদা পোইন্ট ৭৯-৭৭তা মায়থীবা পীবা ঙমখি। অদুগা হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা য়ূম্বু লৈবাক সাউদি অরাবিয়াগা লম্বা তৌনবদনা পোইন্ট ৬১-৮০দা মায়থীবা নংখিবনি। মরম অদুনা ইন্দিয়ানা পারম্বদি য়ূম্বু লৈবাক অদুনা পেলেষ্টিনবু মায়থীবা পীবা অমদি পেলেষ্টিননা সাউদি অরাবিয়াবু বাস্কেট মশীং য়াম্না হেন্না থোইবা তাখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদু সাউদি অরাবিয়ানা পেলেষ্টিনবু ইকোম কোম্না থোইখিবদগী ইন্দিয়া গ্রুপ ঐচতা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা মথং চহীগী জুলাই থাদা ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জকর্টাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

গ্রুপ ঐচতদি ইন্দিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়া ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং য়ূম্বু ইন্দোনেসিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া, বাহরেন, চাইনা, ইরান, জপান, জোর্দান, কজাখষ্টান, সাউথ কোরিয়া, লেবানন, ন্যু জিলেন্দ, ফিলিপিন্স অমসুং সিরিয়াগা পুল্লগা পূন্না টিম ১৫ শুরবনি। ১৬শুবা টিম অদু চাইনিজ টাইপৈ অমসুং গ্বাম অনীগী মরক্তা মায় পাকপা অদুনা ওইগদৌরিবনি।

কুমজা ১৯৭৬তগী ইন্দিয়া এসিয়া কপ খূদিংগী ক্বালিফাই ওইদুনা লাক্লি। শুপ্নতগী কুমজা ১৯৯৩দা ক্বালিফাই ওইহৌখিদবা অদু নৎতনা ফজবা ঙক্লিবনি।

# জমাইকা অমসুং সাউথ অফ্রিকানা নুপী অমসুং নুপাগী মিটর ৪X১০০কী অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রে



নাইরোবি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):
কেনিয়াগী নাইরোবিদা লোইশিনখিবা চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা জমাইকা অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী নুপী অমসুং নুপাগী মিটর ৪X১০০ রিলে টিমনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রে।

জমাইকাগী মায়কৈদগী সেরেনা কোল, টিনা ক্লেটন, কেরিনা হিল অমসুং টিয়া ক্লেটননা সেকেন্দ ৪৩.২৭ চেন্দুনা জর্মনিগী টিমনা চহী ৪গী মমাংদা থমখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমখিবনি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা নামিবিয়াগী খৃষ্টিন বোমানা লুচিংদুনা মহাক্কী টিমনা সেকেন্দ ৪৩.৭৬ চেল্লগা সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা নাইজেরিয়াগী টিমনা সেকেন্দ ৪৩.৯০ চেল্লগা ফংখি।

সাউথ অফ্রিকাগী নুপাগী মিটর ৪X১০০ রিলে টিমনা কম্পিটিসন অদুগী অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থল্লগা সেকেন্দ ৩৮.৫১দা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। টিম অদুগী লমজেল্লোয়শিং অদুদি মিলালি, জোটেনি, সিনেসিফো দম্বীলে, লেটহো গোনোলো মোলিয়ানে অমসুং বেঞ্জামিন রিচার্দসন য়াওখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেদল অদুনা জমাইকাগী টিমনা সেকেন্দ ৩৮.৬১দা চেন্দুনা সিলভর মেদল ১ ফংখি। অদুগা পোলেন্দগী টিমনা সেকেন্দ ৩৮.৯০ চেল্লগা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপাগী মিটর ৪X৪০০ রিলে লমজেলদা বোটস্বানাগী টিমনা গোল্ড মেদল ফংখি। মখোয়না মিনট ৩:০৫.২২দা অনৌবা রেকোর্দ অমসু থমখি। মখোয়গী মথংদা জমাইকাগী টিমনা মিনট ৩:০৫.৭৬তা সিলভর লৌরগা য়ূম্বু কেনিয়ানা মিনট ৩.০৫.৯৪দা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীগী মায়কৈদনা নাইজেরিয়াগী টিমনা মিনট ৩:৩১.৪৬তা গোল্ড অদুগা জমাইকাগী টিমনা মিনট ৩:৩৬.৫৭তা সিলভর অদুগা ইটালিনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

# খো-খোগী ট্রায়ল সেলেক্সন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস):
মথং থাগী ২২দগী ২৬ ফাওবা ওরিষ্যগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কে আই আই টি য়ুনিভর্সিটি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪০শুবা জুনিয়র নেসনল খো-খো চেম্পিয়নশিপ (বোইজ এন্দ গর্লস) ২০২১-২২দা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী টিম শেম্নবা থা অসিগী ২৬কী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা খাঙবোক্তা লৈবা বাসু গ্রাউন্দদা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা মরী লৈনবা ক্লব/য়ুনিটশিংগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয়শিংনা এন আই এস কোচ, কে ঐচ ইমো অমসুং এম মঙলেমদা রিপোর্ট তৌগদবনি। লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা গার্জিয়ান লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

# অনৌবা থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর টেন্নিস ভোলিবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙরাং পাঙথোকখিবা ওল মণিপুর টেন্নিস ভোলিবোল এসোসিএসনগী চহীগী জেনরেল বোদি মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অনৌবা এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং খন্দুনা থৌ পুগদবশিং অদু মশক খঙখ্রে।

খনগৎলবা থৌ পুবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টদা শানৌজম লিবেন, ভাইস প্রসিদেন্টতা ঐচ রাজেন্দ্র, সেক্রেটরি জেনরেলদা পি মার্জিৎ, জোইন্ট সেক্রেটরিদা এস য়াইফবা, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিদা এন পুরেশ্বর, ট্রেজররদা এ হেরোজিৎ শর্ম্মা, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসনদা এস মনোরঞ্জন মৈতৈ, সেক্রেটরি টেক্নিকেলদা টি ঐচ দয়ানন্দ অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা পি জেমসনি।

# ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী চহীগী ওইবা মনা পীবগী খনগৎপদা ইন্দিয়াগী হর্মনপ্রিট, গুরজিট অমসুং স্রিজেশকী মমিং য়াওখ্রে




লোজেন, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসন (এফআইঐচ)না চহীগী ওইবা হোক্কী মশান্নগী খ্বাইদগী ফজবা মালেমগী শান্নরোয়শিংদা পীবা মনাগীদমক খনগৎপদা ইন্দিয়াগী দ্রেগ-ফ্লিকর হর্মনপ্রিটসিংহ, নুপীগী ফ্লিকর গুরজিট কোর অমসুং নুপাগী গোলকিপর পি আর স্রিজেশ খনগৎপদা মমিং য়াওখি।

শান্নরোয়শিং অসিনা হন্দক টোকিওদা লোইশিনখিবা ওলিম্পিক গেমসতা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিবা অদুগীদমক্তা মনা অসিগীদমক্তা খনগৎপদা য়াওরকপনি। ইন্দিয়াগী নুপীগী গোলকিপর সবিতা পুনিয়াসু নুপীগী গোলকিপর অহুম খনগৎপগী মনুংদা মহাকসু য়াওখি। লোয়ননা চহীগী ওইনা কোচকী মনা পীবগী মমিং খনগৎপদসু ইন্দিয়াগী নুপাগী কোচ গ্রাহম রিদ অমসুং নুপীগী কোচ সিওদ মারিনেগী মমিংসু য়াওখি।

নুপাগী মায়কৈদা হর্মনপ্রিটনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মেটচ ৮ শান্নবদা মহাক্কী দ্রেগ-ফ্লিক অদুনা পাঞ্জল ৬ চন্দুনা টিম অদুবু চহী ৪১গী মতুংদা ওলিম্পিক মেদল অমা ফংবদা অচৌবা মতেং পীখিবনি। নাকল অমরোমদা, গুরজিটনা নুপীগী হোক্কী টিম অদুনা ব্রোঞ্জ মেদলগী মেটচ অদুদা গ্রেট বৃটেনগী মখূৎতা মায়থীহৌবা মেটচ অদুদসু য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখি। লোয়ননা চহী ২৫দা ঙাইরিবা শান্নরোয় অদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াবু ১-০দা মায়থীবা পীখিবা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মহাক্না পেনাল্টি কোর্নরদগী চনখিবনি।

এফআইঐচনা নুপীগী শান্নরোয়গী মনা পীবগী মনুংদা খনগৎখিবা অতোপ্পশিং অদুদি অর্জেন্টিনাগী ওগষ্টিনা অলবর্টারিও অমসুং ওগষ্টিনা গোর্জেলেনি য়াওরি। লোয়ননা নেদরলেন্দসকী ইভা দি গোইদে, ফ্রেদেরিক মার্টা অমসুং মারিয়া ভর্স্কুসু য়াওরি।

নুপাগীদা হর্মনপ্রিটকা লোয়ননা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা বেলজিয়মগী শান্নরোয় অর্থর ভান দোরেন অমসুং অলেকজেন্দর হেন্দরিক অদুগা সিলভর ফংখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী জেক ৱেটোন, অরান জে লুস্কি অমসুং টিম ব্রান্দ য়াওরি।

নুপাগী গোলকিপরদা স্রিজেশ য়াওনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এন্দ্রিয়ু চার্টর অমসুং ভিনসেন্ট ভানাসকী মমিং য়াওরি। নুপীগী গোলকিপরদা অর্জেন্টিনাগী ভেলেন্ট সুচি, গ্রেট বৃটেনগী মেদি হিন্স অমসুং ইন্দিয়াগী সবিতা পুনিয়া য়াওরি। মনাশিং অসি শান্নরোয়শিং, কোচ, মীদিয়া অমদি ভাবোকশিংনা খনগদবনি।

# দুরান কপতা আই এস এলগী টিম ৫ অমসুং আই লীগকী ৩ য়াওরগনি


কোলকাটা, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী):
মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈরিবা অদুগা এসিয়াগীনা খ্বাইদগী লিবা ওইরিবা দুরান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১৩০শুবা এদিসনদা ইন্দিয়ন সুপর লীগতা শান্নবা টিম ৫ অমসুং আই লীগতা শান্নবা ৩ য়াওনা পূন্না টিম ১৬না কোলকাটাদা সেপ্টেম্বর ৫দগীনা ওক্টোবর ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা শরুক য়াগনি হায়রি।

টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়ন আর্মিনা ওর্গনাইজ তৌরগা আর্মদ ফোর্সেসকীদমক্তা পাঙথোকপনি। কোলকাটাদা হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি মতম শাংনা দেল্লীনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোরক্লবা মতুং কুমজা ২০১৯দা হোংদোরকখিবনি। মদুগী মতুং হন্দকসু অমুক কোলকাটানা য়ূম্বু ওইগদৌরি। ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ফুটবোল টিম ওইরিবা এফ সী গোৱা, বেঙ্গলুরু এফ সী, কেরলা ব্লাষ্টর্স, জমশেদপুর এফ সী অমসুং হায়দরবাদ এফ সী শরুক য়াগদৌরি। লম্বা তৌগদৌরিবা অতোপ্পা ক্লবশিংগী মনুংদা কোলকাটাগী মহমদন স্পোর্টিং য়াওরি। লোয়ননা মমাংগী চেম্পিয়ন গোকুলম কেরলা অমসুং সুদেভা এফ সী য়াওরি। সেকেন্দ দিভিজনদগীনা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদ অমসুং দেল্লী এফ সী য়াওরি। লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মিগী টিম অনী থোক্না রেদ অমসুং গ্রিন টিম য়াওগদৌরি। অমরোমদা, ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স অমসুং ইন্দিয়ন নেভিগী টিম অমমম্ লাক্কনি। সী আর পি এফ অমদি অসাম রাইফলসকী টিম থারগা পূন্না টিম ১৬না লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি কোলকাটাদা লৈবা মমিং লৈরবা ভিবেকানন্দ য়ুব ভারতি কৃয়াঙ্গন, মোহন বগান ক্লব গ্রাউন্দ অমসুং কলয়ানি ম্যুনিসিপাল ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দদা শান্নগদৌরি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 209**

**WFM Narva, Triin (2100) - WGM Eric, Jovana (2254)**
**21st ch-EUR Indiv w 2021 Iasi ROU, 2021.08.20**

1.e4 c5 2.c3 e6 3.d4 d5
4.exd5 exd5 5.Bb5+ Nc6 6.Nf3 Bd6
7.O-O Nge7 8.dxc5 Bxc5 9.Nbd2 Bg4
10.h3 Bh5 11.Nb3 Bd6 12.Nbd4 O-O
13.Be2 h6 14.Be3 a6 15.Qd2 Qc7
16.Kh1 Bg6 17.Nh4 Be4 18.f3 Bh7
19.f4 Rfe8 20.f5 Nxd4 21.Bxd4 Bg3
22.Bxg7 Bxh4 23.Qxh6 f6 24.Bxf6 Bxf6
25.Qxf6 Rf8 26.Qg5+ Kh8 27.Bg4 Nc6
28.Rae1 Qg7 29.Qd2 Rad8 30.Re6 d4
31.f6 Qf7 32.c4 d3 33.c5 Rd4
34.Bf5 Rh4 35.Qg5 Rh5 36.Qg4 Bxf5
37.Rxf5 Rxf5 38.Qxf5 Nd4 39.Qf4...

**QUESTION :**
**Black to Win**

**Puzzle 208 Ans. :**
30. ...Kh7 31.Be5 Rh1+ 32.Kxh1 Qf1+ 33.Kh2 Bxe3
34.Rh8# Opera mate
31. Be5 Bxe5+ 32.Qxe5

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com